# ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং শান্ন-খোৎনবা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

কোচশিংনা শান্নরোয়শিংদা ত্রেনিং পীবা মতমদা অথোই-অহেন তান্নফম সহর নৎত্রগা খুঙ্গং অদুগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম খঙদোক্কদবনি। অঙীংবা লৈবাকশিংদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা অশাবা লমদা চত্তুনা শান্নবদা শরুক য়াবা মতমদা মখোয়গী মপাঙ্গল মথৌনা ফুদোকপা মতিক চানা ঙমদে। মতৌ অসুম্না অশাবা লৈবাক ইন্দিয়া, পাকিস্তান অমসুং বাংলাদেশকী শান্নরোয়শিংনা য়ুরোপকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা অঙীংবা লৈবাক স্বিদেন, ফিনলেন্দ অমসুং অৱাং থংবা রসিয়ানচিংবা উন তাবা মফমশিংদা অথোই-অহেন তান্নবদা মায় পাকপা খরা ৱাগনি।

কুমজা ১৯৬৮দা মেক্সিকো সহরদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্কনি হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কিম্মিটিনা ৱারেপ হেক লৌখিবগা মালেমগী চাওখৎপা লৈবাক অয়াম্বনা শাওনখি। মরমদি সহর অসি সমুদ্রগী লৈমায়দগী মিটর ২২৫০ রোম ৱাংবা মরম্না লমজেল অশাংবা চেনবশিং হায়বদি মিটর ১৫০০ অমদি মসিদগী হেন্না শাংবা লমজেলদা শরুক য়াবশিংদা খুদোংচাদবা কয়ামুক থোক্কনি। মরমদি লমজেল শাংলপ তৌবা অমদি য়াম্না শাংনা চেনবশিংনা লমজেল চেল্লিবঙৈদা ওক্সিজেন মতিক চানা ফংবা মথৌ তাই। তৌইগুম্বসুং অৱাংবা সহর মেক্সিকোগুম্বদদি নুংশিৎকী কুঙশিনবগী হায়বদি দেন্সিটিগী চাং ৱাৎপনা লমজেল শাংলপ তৌবদা শরুক য়াবশিংনা ওক্সিজেন মতিক চানা ফংবা ঙমদে। মতম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা রোন ক্লার্ক কৌবা লমজেল অশাংবা চেনবা অমা মালেম শিনবা থুংনা মমীং চৎলম্মী। মহাক্না মিটর ৫০০০, মিটর ১০,০০০, মিটর ২০,০০০, মাইল অনী, মাইল অহুম, মাইল তরুক অমসুং মাইল তরাগী লমজেল চেন্দুনা মালেমগী রেকোর্দ পায়রমখি।

মহাক্না কুমজা ১৯৬৫দা য়ুরোপকী অচৌ অচৌবা সহরশিংদা নুমিৎ ৪৪ লমজেল তান্নবা চৎখি। মদুদা লমজেল ১৮ চেনখিবদা মালেমগী রেকোর্দ ১২ থমখি। কুমজা ১৯৬৮দা মেক্সিকো ওলিম্পিক্তা মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা মহাক পোজিসন অমত্তা তাবা ঙমখিদে। ওক্সিজেন ৱাৎপা মরম্না লমজেল হেক থুংলবগা ৱাম্থদুনা লোঙনা তাখি। মদুদা মহাক্কী মরুপ ডোক্তর ব্রিয়ন কোরিগান্না মমীত্তা মপি তাদুনা থুনমক ওক্সিজেন থাজিন্দুনা মহাক্কী মপুন্সি কনখি। অদুবু লমজেল অদুদা কেনিয়া মচা নাফতালি তেমু কৌবা অমনা থাজদনা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক লৈবাক অসিগী ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখিবা অহানবা শান্নরোয়নি। কেনিয়াগী মফম কয়ামুক্তা অৱাংবা লৈতেম মান্নবা লম হায়বদি প্লেটু লৈবা মরম্না লৈবাক অসিগী লমজেল্লোয়শিং হায় অলটিচুটকী ত্রেনিং ফংদুনা মালেমগী লৈবাকশিংগা অশাংবা লমজেলগী লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙম্মী।




ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমনা মরম ওইদুনা শান্ন-খোৎনবগী থৌদোকশিংদা অকায়বা পীবা কয়ামুক মালেমগী কাচিন-কোয়াশিংদা থোকি-খবশিংগী মনুংদা য়ু এস এগী কোলোরাদো ষ্টেটতা লৈবা কম্মর্স সহরদা কুমজা ২০১৩গী মার্চ ২২দা লৈবাক অসিগী টিমগা কোষ্টা রিকাগা কুমজা ২০১৪গী ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী ক্বালিফায়ং মেচ শান্নখিবদা থোকখিবা থৌদোক অমনা মেচ অদু অমেরিকাগী রোকি মাউন্টেনগী চীংখোঙদা লৈবা দিক স্পোর্টিং গুদস পার্কতা পাঙথোকখবদনি।



নুমিৎ অদুদা মফম অদুদা উন কন্না তাদুনা লম্পাক অদুগী নাপী অমত্তা উবা ফংখিদে। শান্নফম অদুগী মায়কৈ মরিদা থল্লিবা লাইন অদুফাওবা উন্না কুপশিন্দুনা উবা ফংদবা মরম্না মরক মরক্তা রেফরি অদুনা শান্নবা অদু লেপহল্লগা লাইনশিং অদু উবা ফংনবা উনশিং অদু খোত্তোকহল্লি। শান্নরিঙৈদা উন তাশিল্লকপা হেঞ্জিল্লকপা মরম্না শান্নরোয়শিং অদুনা লিৎলিবা য়ুনিফোর্ম জর্সি মথক অদুদা উন তারকপগী অঙৌবা মরিক মরিক পকই। মেচ অদুদা য়ু এস এনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

কোষ্টা রিকাগী টিম শাউবনা মৈ হৌখি। অদুবু উন তাশিল্লকপগী চাংদি অসুম-অসুম হেনগৎলকপা মরম্না কোষ্টা রিকাগী শান্নরোয়শিং অদু য়াম্না শাউখি। মদুদা পিন্টো কৌবা শান্নরোয় অমনা হায়খি মদুদি থৌওং অদু গেম অদুবু উশিত্তবনি, ফুটবোল মশান্নবু ইকায়খুম্নবা ৱাৎপনি, ফিফাদা মসিগী মরমদা ৱাকৎকনি। মীওই ১৯,৩৭৪ য়েংখিবা মেচ অদুগী মিনট ৫৫শুরকপদা রেফরিনা মেচ অদু লেপহনখি। মরমদি উন হেন্না হেন্না তাশিল্লকপনা মরম ওইদুনা শান্নফমগী মতায়দা চিংলিবা লাইনশিং উবা ফংদবনা উন অদু শেংদোকহনখি।

মখা তারকপদা কুমজা ১৯৬৭তা নেসনল ফুটবোল লীগ চেম্পিয়নশিপ্তা গ্রিন বেয় পেক্কর হায়বা টিম অমগা দাল্লাস কাউবোয় হায়না খঙনবা টিম অমগা মেচ অমা শান্নখি। মফম অদু য়াম্না ঈংবা মরম্না শান্নবা অদুদা টিম অনীমক্কী কোচশিং তৌফম খঙখিদে। মেচ অদু নেসনল ফুটবোল লীগনা শিল্লাংবা মেচশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈংবা টেম্পরেচরদা শান্নবা মেচ ওইখি। টিম অনী অসিনা শান্নরিবা মফম Lambeau Field গী টর্ফ অদু শাহন্নবা হিটিং সিষ্টেম অদুসু নুমিৎ অদুদা শীজিন্নবা য়াখিদে, অশোয়বা খরা লৈখি। মরম অদুনা শান্নফম অদুদা লৈরিবা উনশিং অদু নূংদগী হেন্না কননিশনখি। মদুদা রেফরি ওইখিবা নোর্থ স্কেচতরগী ধাতুগী হুইশেল (Mental Whistle) অদু খোংবদা মখোল থোকখিদে। মরমদি হুইশেল অদু মখোল থোক্লবা কাম্বা মতমদা মচিন্দগী থোরকপা ঈশিংগী মনিলশিং অদুনা মহাক্কী মচিনবান্দা লৈরিবা হুইশেল অদু ফমজিনখি। গ্রিন বেয় পেক্কর টিমগী রেয় নিটসচিকনা হায় মদুদি মথংগী নুমিত্তা মহাক্কী খোঙশা তরুক উন্না চাথৎখি।

শান্নবদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী মদুদি স্পোর্টসকা সোসিয়েল সাইন্সকা থাদোক্নবা য়াদে। নৌরিবা অঙাংশিংগী সোসিয়েল সাইন্সকী পাড়াশিংদা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা ৱারোলগী ওইবা পাড়াশিং সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, ন্যু দিল্লিনা ফোঙবা টেক্স বুকশিংদা য়াওরিবা অসি তমজনীংঙাই ওই।

সোসিয়েল সাইন্সনা হায়রি মদুদি ঐখোয়গী পুন্সিগী খোঙচৎ পূম্বা কম্পিটিসন্নী, অমগা অমগা হিদান্নবনি। ঐখোয় মীওইবা মশেলগী মরক্তা, কনানা হেল্লি, কনানা হেন্দে হায়না অমগা অমগা হেনবা তান্নবগুম, কাঙলূপ মশেল মরক্তা, পোলিটিকেল গ্রুপশিংগী মরক্তা, ফুটবোল টিমশিংগী মরক্তা, লমজেল্লোয়শিংগী মরক্তা অমদি খুঙ্গং অনীগী মরক্তা অহেনবা তান্নবা মীওইবগী মৈহৌরোলদগী হৌরকপা চৎনবী অমা ওইনা লৈরি।।◀◀

# রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কুমজা ১৭২৯দা পোকখি, মসিমক হোংদোক-হোংজিন তৌবা য়াররোইদবা মৈদিংঙুসিগী মপোক চহীনি

**শামুলাইলাৎপম প্রহলাদ শর্ম্ম**

**শেংদোক ৱারোল :**

হৌখিবা এপ্রিল ২৪, ২০১৯দা পাউচে অসিদা শ্রী বি এম মাইস্নাম্বনা ইবিরকখিবদা - 'অনী থোকপী অহুম থোকপী ময়াম মরক্তা ... রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ অহুমখক পালন তৌখ্রে' অসিনি। মসিগীদমক থাগৎচরি। বী এম মাইস্নাম্বা মহাকপু ঐনদি 'ইবাই ! ইবাই' ! হায়না নুংশিনা কৌজে। ঐবু লুনা চান্না তৌবিরকপা শ্রীমোইরাংথেম তাদা ইনাওনা মাগী মচন-নুপী লৌবদগী ইবাই হায়না নুংশিনা কৌজবনি।

ইবাইনা পাউচে অসিদা হাপ্পীরকখিবা ৱারেং অসিদা ঐগী ইমিংসু পনবিরকখি। ঐমক্নদি 'রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মাঙলুরবা মপোক চহী অমসুং শামু অঙাওবা ফাখিবা মতম' কৌবা লাইরিক (নৈনবগী) অমা মতম শাংনা রিছার্স ৱর্ক তৌদুনা মদুদগী তারকপা অচুম্বা ফল অদু লাইরিক ওইনা ইথোক্তুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৫দা ফোঙদোক্তুনা পুথোকচখ্রে। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র শকাব্দ ১৬৫১, খৃষ্টাব্দ ১৭২৯, হিয়াঙ্গৈ থাগী ১০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎসিদা পোকখি হায়বসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী ১১ লৈরম্বদগী মপোক চহীশিং অসি নৈনদুনা অচুম্বমক্তু চপ চানা পুথোক্তুনা লৈবাক মীয়াম মাঙদা ফোঙদোকচখ্রবনি। মসিমক রাজর্ষিগী চয়েৎনদুনা মতম শাংনা লৈরক্লবা মহাক্কী মপোক চহী অসি চুমথোক্তুনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী অসি অমখক থম্নবা হোৎনজরিবা অমনি। ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি অনীশুনা থম্বা য়ারোই। মসি হৌনদবা অমনি। মী হায়বসি কৈদৌঙৈদা অনীরক পোক্তে। হৌসু হৌনদে। রাজর্ষিগী মপোক চহীদা একাদসি দেথ ওফ বর্থগুম্বা অমা থম্বসু হৌনরোই। হান্নবা মহাক্কী মপোক চহী ১১ লৈরম্মী, হৌজিক্তি ১১সিগী মনুংদগী অচুম্বা অমখক্তু সাইন্টিফিক মেথদ অমদা রিছার্স ৱর্ক তৌদুনা পুথোক্লে।

কনাগুম্বনা রিছার্স ৱর্ক হায়বসি লোইবা খন্বা নাইদবা অমনি হায়বিবা য়াওই। মসিদি অচুম্বা করিনো খঙদবা নৎত্রগনা মীচং-মীখায় নাইবা মায়কৈ অনীসিগী মনুংদা অমদি ওইরে খল্লি। মসিদা ঐনা হায়জনীংলিবদি - "মীওইবনা মালেম অসি ইপাক পাক্লা লৈবা মপান নাইদবা অমনি হায়না থাজনরম্মী। লৌশিং লৈবা খরনা মালেম অসি ইপাক-পাক্লা মপান নাইদবদা লৈবা নত্তে, মতূম তায় হায়না পুথোক্লকখি। মালেম মতূম তায় হায়রুবা মহাকপু নিংথৌনা চৈরাক ফাওবা পীরম্মী। ঙসিদি মালেম মতূম তায় হায়বনা চুল্লল্লে। হৌজিক অমুক ইপাক-পাকই হায়বসি চুম্মী হায়না উৎননবা রিছার্স ৱর্ক মখা চখুনা তৌগদবা নত্তে। অতোপ্পা অমনা ঐখোয়না অনীগা অনীগা পুরিনরবসু, তিন্নরবসু মরি তাই হায়বসিদা ৩ নৎত্রগা ৫ তাই হায়না উৎননবা রিছার্স তৌরুবদা মদু থৌরেম-ৱারেম তাদুনা তোক্কনি নীংই। মরৈ কংয়েৎপু য়েৎকে হায়রবদি থৌরি মতেক অমা নৎত্রগা শম্মান্দোংবু লিলনি হায়না য়েৎপা ঙম্বা মীসু লৈ। মখোয়গীদি 'অদু ওইরসু' হায়খ্রগা লোইরে। 'অদু ওইরসু...'! অসিনি।

অসুম্না কদায়দগীনো ৱাখল তাদবা খরনা রাজর্ষিগী মপোক চহীগী মতাংদা পাউচেশিংদা ৱারেং অনী/অহুম, এদিটরদা পীরকপা চিঠি খরদা ৱাফম খরা লান্না ইনরক্লগা ঐখোয়না মখোয় মখোয়না পল্লক্লিবা রাজর্ষিগী মপোক চহী অদু হেক্তা রাজর্ষিগী মপোক চহী ওইনা লৌগদবসু নত্তে। মতাংসিদদি অদুগুম্বা মখোয়গী ৱারেংশিংদু মখোয় মখোয়গী অতোপ্পা মিৎয়েং অমনি হায়রুবা ফাওবা য়াদ্রি। ঐখোয়না রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি মারগা থিগদবা নত্তে। ইরমদবা/ইদ্রিবা লাইরিক্তা লৈরমগদবসু নত্তে। শ্রীশ্রী গোবিন্দ লোয়ননা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রমক্না থৌজানবীদুনা ঐমক্না লাইরিক কয়া খোমজিল্লগা/পারগা চহী ২০ চঙনা থিজিল্লগা খ্বাইদগী চুম্বা/পূমচুম-চুল্লবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক্কী মপোক চহী অসি শকাব্দ ১৬৫১, খৃষ্টাব্দ ১৭২৯ হিয়াঙ্গৈগী ১০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পোকই হায়না পুথোকচখিবনি। পূম্নমক্না খঙবীগনি মদুদি রাজর্ষিগী মপোক চহী পুথোকচরিবসি প্রাইমারি সোর্সতগী ফংবনি।

মথক্তসু পঞ্জখ্রে রাজর্ষিমক্কী মপোক চহী অসি মখল মখল মান্নদবা খৃষ্টাব্দ/শকাব্দ কুমশিং ১১ রোম শুরম্মী। মসিমকসু ঐমক্না মশীং ১১ শুই হায়না পুথোকচখিবনি। ঐনা পুথোকচরিবা মপোক চহী অসি নত্তবা অতৈদি লৌবা য়াবা অমত্তা ওইদ্রবনি। রাজর্ষিগী মপোক চহী চুম্না পুথোকচরিবসি মসি নত্তবা অনৌবা অচুম্বা মপোক চহী অমা লৈরল্লোই খল্লি। ৱাগী ৱা ওইনা কনাগুম্বশিংনা 'থিবা' হায়বসিদি লোইবা নাইরোই হায়রকপদি য়াই। নৎত্রগা মখোয়না 'অদু ওইরসু...' হায়রকপদি য়াই। অদুবু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মাঙলুরবা মপোক চহীদি থিবা য়াবা থিবদগী চপ চানা অচুম্বদো ফংলে হায়না থমজনীংই।

কনাগুম্বা পন্দিট শাবা খরনা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি চৈথারোল কুম্বাবদা লাচলবিরমদে হায়না লান্না হেক্তা হায়জিল্লি। পন্দিট অমনা হায়রবনি হায়দুনা পন্দিট শানীংবা মখোয় খরনসু হেক্তা মতৌ তম্নদুনা চৈথারোল কুম্বাবদা রাজর্ষিগী মপোক চহী ইরমদে হেক্তা হায়জিন-ইশিল্লি। ঐখোয়না অমুক হায়জনীংই মখোয়শিং অসি হায়জিনবী কোলেজদা তম্লকপা, হায়জিনবীদা মপা লৈতনা হৈশিংবা পন্দিট শাবা মীংচৎ অতাউবা পাম্বা ঙাক্তনি হায়না লৌই।

ঙসি ঐখোয়না, রাজর্ষিগী মপোক চহী য়াওনা নৎত্রগা মপোক চহী পাবা য়াগদবা মওংদা মপোক চহীগা পন্দুনা ইরম্বা লাইরিক কয়াশিং অসি মুন্না হেক থিরুবদা/হংলুবদা অইবা মখোয়-মখোয়না ইখঙ হেক খঙদনা ইশিল্লম্বনা অয়াম্বনি। কুমজা ১৭২৯ অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহীনি হায়দুনা ইরম্বা লাইরিক অমগী অইবদা চৎতুনা হংলুবদা অইবসিনা হায়রক্লম্মী- "খঙদেনে ঐদি লাইরিক্তা (অদু-অদা, অদু-অদাদা) ইরম্বদগী লৌথোক্তুনা ইখিবনি..." অসিনি। অসি ঙাক্তনি। মরী মখোঙ খঙনা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি মখোয়-মখোয়গী লাইরিকশিংদা ইশিল্লিবশিং অসি চুম্মী খঙনা ইনখিবা অমত্তা নত্তে। মীনা ইরম্মী হায়দুনা লাল্লি-চুম্মী খঙনদনা ইশিন্নখিবা ঙাক্তনি হায়নীংই।

লৈখিদ্রবা পাবুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র ফাওবনা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি কুমজা ১৭৪৮দা পোকই হায়রম্মী হায়না ইনবা ৱারেং কয়াসু লৈরি। অদুবু পাবুংমক্না রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি কুমজা ১৭৪৮দা পোকই হায়রম্মী হায়রবনিনা পাবুংসিনা কয়াম খঙনা হায়রল্লিবনো হায়বা ৱাহং অসি থোক্লকই। টাইপিং মিষ্টেক ওইরমগদ্রা চিংনরকই। মরমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা ফোঙবা চৈথারোল কুম্বাবা কৌবা লাইরিক অসি পাবুংমক য়াওনা সম্পাদক তৌবিদুনা ফোঙবিখবনি। চৈথারোল কুম্বাবা অনীশুবা খূৎনম লাইরিক অসিমক্কী লমায় ১০৫ অমদি ১০৬তা ইরল্লিবদি - "শকাব্দ ১৬৬৩, (খৃ: ১৭৪১ ইংগী) গী লমদা ১৬নি পানবা শগোলশেন্দা ইবুংঙো খুরাইলাকপা মতু ৱায়েনবম চনু শিত্র' অসুম্না ইরল্লি। মসিদা ইবুংঙো খুরাইলাকপা হায়রিবসি 'শ্যামজাই খুরাইলাকপা' বুনি অদুগা 'মতু ৱায়েনবম চনু' হায়রিবসিনা - খেলৈ নুংনাং তেলহৈবগী মচে ইবেম্মা চখা মরিং লোইখোম্বী কৌবী রাজর্ষিগী মমা ইবেম্মনি। শিখ্রে হায়বা মসিমক্না রাজর্ষি মহাক কুমজা ১৭৪৮দা পোকখি হায়রবদি রাজর্ষি মহাক্না পোক্কদবা চহী ৬/৭ ৱাৎলিঙৈদা অপোকপী মমাদি হান্নবা শিখ্রে হায়বা তারল্লি। হায়বদি শিখ্রবা মমানা শিখ্রবা মতুং চহী ৬/৭ লৈরগা লাইরৈবাক্তগী কুমথরক্লগা মচানুপা য়াইমা পোক্কদবা তারল্লি। মসি খুদম অমখক উৎচবনি। মসিবু ওইথোকপা য়াবরা? অসিগুম্বা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসিদা করিগীদমক মরৈ কংয়েৎ তৌদুনা চুম্মী হায়ননবা ওৎলৈ-পারৈ তৌদুনা লৈগদৌরিবনো? অসিগুম্বা মপোক চহী অসি অফাওবা পন্দিট অমনা হায়রল্লে হায়দুনা ঐখোয়না হেক্তা লৌফম থোক্লিব্রা? মখোয়না ইরল্লিবসি লাল্লি হায়রগসু ঐখোয়না মখোয়দা চৈবিফমসু থোক্তে। মরমদি মখোয় তশেংনা খঙদদুনা তৌরিবনি। লাল্লি-চুম্মী হায়না থিরুদবা, য়েংশিল্লুদবা ঙাক্তনি। অদুবু মখোয়না হায়রম্বা লাল্লি খঙলবা ৱাফমশিং অদুমক্তি অচুম্বা শাদুনা লৌফম থোক্তে। সারাংথেম বরমনি ওজাসিগা ঐহাক্না নোংমা উনজহৌই। মহাক্না মহাক্কী মৈতৈ নিংথৌরোল কৌবা লাইরিকসিদা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি কুমজা ১৭৪৮ অসি লৌদুনা চহীসিদা পোকই হায়রি। গভর্ণর রোদতা লৈবা রাজেস বুক ষ্টোরদা ওজা বরমনিগা ঐগা ফম্মিন্নদুনা চৈথারোল কুম্বাবা পুথোক্নদুনা রাজর্ষিগী মমা ইবেম্মা ৱায়েনবম চনু চখা মরিং লোইখোম্বী শিখিবসি ঐনা পুথোক্তুনা য়েংমিন্নখিবনি। মসি মহাক্না হান্না খঙলমদে। তশেংনা খঙদে হায়রম্মী। অদুম ওইনমক রাজর্ষিগী মমা শিখ্রে হায়বা খঙলবা, লাল্লি খঙলবা রাজর্ষিগী মপোক চহী, মহাক মশামক্কী লাইরিকসিদা ইশিল্লিবসিমক্তি চুমথোকপীয়ু হায়জবদা য়ারমদে। মরিল খাখ্রবা ওজানি। মহাক্না হায়খিবদা মহাক্কী লাইরিক অসি য়ুনিভর্সিটিদা, কোলেজ কয়াদা তম্নদুনা অইবা কয়ানা মপোক চহী অসি রিফরেন্স লৌনখ্রবনি হায়না তাকপীরকখি। মহাক্না মহাক্কী অরানবদু চুমথোকপীয়ু য়াদ্রে হায়দুনা মহাক্না লান্না থাজজরিবা/লৌরিবা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি ঐখোয়না অচুম্বনি হায়দুনা লৌগদবা নত্তে। অতোপ্পা অমনা ওজা প্রোফেসর ওইবিরম্বা গাংমুমৈ কবুইসু অসি মঙায়। মহাক্কী হিষ্টোরি ওফ মণিপুর কৌবা লাইরিকসিদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী অসি কুমজা ১৭৪৯ হায়না ইশিল্লি। ঐ ইশামক্না ওজাদা কুমজা ১৭৪৯ ইরিবসি ভাগ্যচন্দ্রনা পানখিবা চহীরা নৎত্রগা মহাক্কী মপোক চহীরা হায়না হংজবদা ওজানা মপোক চহীনি তাকপীরকখি। ঐনা ঐগী 'রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক্কী মাঙলুরবা মপোক চহী...' লাইরিক অসি ফোঙলবা মতুংদা ওজা শ্রী নোংমাইথেম তোম্বীনা ঐঙোন্দা ঐগী লাইরিক অমা ওজা গাংমুমৈদা পীননবা তাকপীবগী মতুং ইন্না ওজাগী ময়ূমদা চৎলম্মী। ওজা গাংমুমৈগা ঐগা রাজর্ষিগী মপোক চহীগী মতাংদা ৱারী কয়া শানরম্মী। মহাক্কী ময়ূমদা ঐনা চৈথারোল কুম্বাবা পুথোকহন্দুনা রাজর্ষিগী মমা শিখিবগী কুম ১৭৪১ অসি উৎখ্রবনি। মহাক্না ঐঙোন্দা নঙনা চুম্মী হায়রক্লম্মী। ওজা গাংমুমৈগী 'হিষ্টোরি ওফ মণিপুর' অসি পুৱারীগী লাইরিকনিনা ওজানা 'ভাগ্যচন্দ্র - ১৭৪৯' অসুম্না ইরিবসি ইফম থোক্তে। ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইবা হৌবা চহী ১৭৫৯ এ দি অসি ওইনা ইগদবনি। অদুবু ইরমদে। কুমজা ১৭৪৯ ইরম্মী। নোংমা ঐনা ওজাদা হংজবদসু মপোক চহীনি তাকপীরকখিবনি। অদুবু মহাক্কী লাইরিকসিদা লান্না ইশিনখ্রবা অদুবুদি ওজানা শেমদোকপীবা তৌরমদ্রে। অহোইনদুম বুধ কামৈ কৌবা প্রোফেসর অমনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীনবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী সেমিনারগী থৌরম অমদা শ্রীবুধ কামৈগী ৱারেং অমদা ওজা গাংমুমৈগী রাজর্ষিগী মপোক কুমজা ১৭৪৯ অসি রিফরেন্স লৌদুনা ইরক্লম্মী। অসুম্না ঐখোয়না অফাওবা ওজা গাংমুমৈ কবুইনা ইরম্মী হায়দুনসু রাজর্ষিগী অরানবা মপোক চহী অসি হেক্তা চুম্মী হায়না লৌগদবা নত্তে। অসুম্না ঐখোয়না পদ্মশ্রী ১০০ ফংলবা মীনা লান্না লান্না ইশিল্লম্বা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসি অফাওবা পন্দিটনা ইরম্বনি হায়দুনা হেক্তা অচুম্বনি হায়না লৌগদবা নত্তে।

অদুগা, মপোক চহী অতোপ্পা অমনা 'রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক কুমজা ১৭৪০গী ইঙা থাগী ২৭নি পানবা য়ূমশকৈশদা কর্ত্ত পোকই' হায়না লান্না ইশিল্লম্বা মপোক চহী অসিনি। রাজর্ষিগী মপোক চহী অসিসু কার্ত্তগী মপোক চহীনি হায়দুনা মপোক চহী নীংশিং থৌরম তৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লেম তৌনবসু য়াওনরি। মসি পূম্নমকশিং অসি লৈবাক অসিগী, ষ্টেট অসিগী লাইবক থীবনি। মরমদি লাল্লি খঙলবা রাজর্ষিগী মপোক চহীবু অচুম্বা শাদুনা মরৈ কংয়েৎ তৌনদুনা মানা-মানা সপোর্ট তৌনরিবদুনা চুম্মী হায়ননবা হোৎনরকপা মসিদনি। মসিমক্তি চুমদবনি খল্লি।

নুংশিজরবা ইবাই, নশেন্না মসিমসু থমজগে মদুদি - নশেন্না সপোর্ট তৌজরিবা রাজর্ষিগী মপোক কুমজা ১৭২৯ অসিমক্তি 'মন বুদ্ধি পুরান' ইবদৌনা পণ্ডিট শাবা মখোয় কয়ানা ইশিল্লম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী অদুগুম্বদু নত্তে। মসিমক্তি রাজর্ষি মশামক্না নিংথৌ ওইদুনা শাংনা পাল্লিঙৈ মতমদা মশামক্কী সনা য়াথং য়াওনা চৈথারোল কুম্বাবা লামায় ১৩৯দা লাচনবিরম্বা অমদি চৈথারোল কুম্বাবা অসিবু প্রাইমারি সোর্স ওইহল্লগা ইখিবা 'মণিপুর ইতিহাস চৈতে পুরান ভাগ্যচন্দ্র চরিৎ, বিজয় পঞ্চালিগী লমায় ২৯৫দা ইরল্লিবা (কার্ত্ত) মশাগী চহী ৩০ শুবদা নিংথৌ ওই' অসুম্না ওন্থোক্না চুম্না ইরম্বা অসিবু সপোর্ট তৌজবনি। মসিদগী হেন্না চুম্বা রাজর্ষিগী মপোক চহী অমা লৈত্রবনি হায়না থমজনীংই। মন বুধি পুরান ইবশিং কয়াদবু কৌবগে হায়রবদি কদায়দগী লৌরুবা রাজর্ষিগী মপোক চহীনো খঙদ্রবা কুমজা ১৭৪০, শকাব্দ ১৬৬২, 'ইঙাগী ২৭নি পানবা য়ূমশকৈশদা কার্ত্ত পোকএ' অসুম্না মৈতৈ ময়েক্না ইবা চৈথারোল কুম্বাবা অমগী লাপান/লাতোন্দা বেঙ্গোলি ময়েক্না ইশিল্লম্বা অসিনি। অতোপ্পা অমনা মমা শিখ্রবা মতুং চহী ৭ লৈরগা শিখ্রবা মমানা লাইরৈবাক্তগী কুম্লক্লগা মচানুপা য়াইমা (কার্ত্ত) মহাকপু কুমজা ১৭৪৮, শকাব্দ ১৬৭০দা পোকহল্লিবা অসিনচিংবশিং অসিনি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক চহী মখল ১১ লৈরম্বসিদগী করম্বনা চুম্বগে থিদোক্তুনা অচুম্বদু তশেং-তশেংনা উৎলিবা রাজর্ষি মহাক কুমজা ১৭২৯দা পোকখি হায়বসিবু 'মন বুদ্ধি পুরান ইবদৌনা ইশিনবনি হায়বিরবদি মশামক্কী মপোক চহীবু চৈথারোল কুম্বাবদা মশামক্কী সনা য়াথংনা লাচলহল্লল্লিবা মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা (রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র) অমদি মৈদিংঙু চন্দ্রকির্ত্তি মখোয় অনী অসিবু 'মন বুদ্ধি পুরান' ইশিনবদা পূক্নিং থৌগৎপা তারক্কনি। ৱাফম অসিমক্তি বুদ্ধি ফত্তবনা লৈবাক মচা তাদবা ৱা ঙাঙই হায়বদু তারক্কনি। নুংশিজরবা ইবাই! নশেন্না সপোর্ট তৌজরিবা রাজর্ষিগী মপোক কুমজা ১৭২৯ অসি লাল্লি হায়বীনীংলগনা থৌনা ফনা লাল্লি হায়বীয়ু। লাল্লি হায়বগী খুদম চাংদম মতিক চানা উৎপীয়ু। ইবাইনা সপোর্ট তৌবিরিবা রাজর্ষিগী মপোক চহী কুমজা ১৭৪০ মদুমক্কী প্রাইমারি সোর্স মতিক চানা উৎপীয়ু নৎত্রগা ঐগী কুমজা ১৭২৯ অসি চুম্মী হায়রগসু থৌনা ফনা চুম্মী হায়বিয়ু। মীচং মীখায়দি নাইবিগনু। অমখক খনবিয়ু।

অরোইবদা থমজনীংবদি - ননাই তোল্লবগী মায়কৈদগীদি মমাঙগী পাউচে অসিমক্তদা হৌখিবা এপ্রিল ১০, ২০১৯গী চেফোঙদা হাপচিখবা রাজর্ষিগী মপোক চহী অসিখক্তদা 'ওপন দিবটে তৌনসি' হায়না ইজখ্রবনি। নুংশিজরবা ইবাইসু মসিমদি য়াবিয়ু মদুদি অদোম্না সপোর্ট তৌবিরিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহাক কুমজা ১৭৪০ শকাব্দ ১৬৬২ ইঙা থাগী ২৭নি পানবা য়ূমশকৈশ নুমিত্তা পোকখি হায়রিবসিগী প্রাইমারি সোসর্স অদুখক উৎপীয়ু। ঐসু ঐনা সপোর্ট তৌজরিবা রাজর্ষিগী মপোক কুমজা ১৭২৯ শকাব্দ ১৬৫১ অসিগী প্রাইমারি সোর্স অদুখক উৎচগে?

নুংশিজরবা ইবাই! তোল্লবা নশেন্না থমজনীংবদি মী অমগী মপোক চহী 'চুম্মী-চুম্মী' হায়বা ৩ (অহুম) লৈবা য়াবা হৌনদে অসিনি। অমনা মমা শিখ্রবা মতুংদা পোকপা মচাগী অরানবা মপোক চহীবু মপোক চহী নীংশিং থৌরম তৌখ্রে হায়দুনা চুমহনবা য়ারোই।।◀◀

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।